ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

গুৱাহাটিগী খানা পরাদা লৈবা রিজনেল সাইন্স সেন্টরদা পাঙথোকখিবা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া সাইন্স ফ্যেয়র, ২০২৪দা মনা ফংলকখ্রবা মণিপুরগী মহৈরোয়শিং অমসুং মখোয়বু গাইদ তৌখিবা ওজাশিং

থম্মোয় পাউদম : মীখল ২০২৪, য়াওখিগদ্রা ঐখোয়বু ? ☛ লামায় ২

লামায় ৫ ☛ ইরমদমগী অপূনবা লূপনা মালেমদা মতিং থোকপা...

'থরুবা ঈশিং খুজোক অমা ফংনবা হোৎনবদা অৱাবা ...☛ লামায় ৬

লামায় ৮ ☛ মোদিনা তৌরিবসি কোংগ্রেস শোন্থহন্নবা থৌশিলনি...

(মীয়াম্না পাবীয়ু, নৈনবীয়ু) 'মণিপুরগী লানগী মতাংদা ..... .☛ লামায় ৯

লামায় ১০ ☛ মণিপুরনা হৌজিক ফাওবদা গোল্ড ২৯ য়াওনা পূন্না ...

পাম্বৈনা লুচিংবা য়ু এন এল এফকী মীওই ৩ এন আই এনা ফাজিনখিবগী মায়োক্তা মখোয়বু কন্দিসন য়াওদনা থাদোরক্কদবনি হায়না হৈরোক্কী অকোয়বদা হৈরোক অপূনবা মৈরা পায়বী অমসুং হৈরোক অপূনবা ক্লবনা শিন্দুনা চৎখিবা মৈরাগী খোঙচৎ

Vol. 47, Issue No. 350 | ইরাই, লমতাগী ১৩নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Friday, March 22, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00

ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সি

বি জে পিগী মীরেপ থেংননবা পোলিটিকেল পার্টি ১০গী কম্মন কেন্দিদেটকী ৱাফম ঙসি লৈখাই তারগনি

ইম্ফাল, মার্চ ২১ (ঐচএনএস) : মথং থাগী ১৯দা পাঙথোক্কদৌরিবা মণিপুরগী ১৮শুবা লোক সভা মীখলগী অহানবা তাঙ্কক্তা ভোট থাদনগদৌরিবা নম্বর ১-ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিদা ষ্টেট লৈঙাক লুচিংলক্লিবা বি জে পিগী মীরেপ থেংননবা কোংগ্রেস য়াওনা ৱাখল মান্নবা পোলিটিকেল পার্টি ১০গী কম্মন কেন্দিদেট পুথোক্কদ্রা নৎত্রগা পোলিটিকেল পার্টি ১০গী মরক্তগী খরনা মাগী মাগী কেন্দিদেটশিং পুথোক্নরগা ফ্রেন্দলি ফাইট তৌনগদ্রা হায়বগী ৱাফম হয়েং লৈখাই তারবা য়ারি।

ৱাখল মান্নবা পোলিটিকেল পার্টি ১০গী মনুংদা য়াওরিবা সী পি আইগী মায়কৈদগীদি পার্টি অসিগী মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী সেক্রেটরি ওইরম্বা অদুগা হৌজিক্কা ওল ইন্দিয়া ত্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেসকী জেনরেল সেক্রেটরি ওইরিবা লাইশ্রম সোতিনকুমারনা পার্টিগী মীরেপ ওইরগনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

অদুম ওইনমক হৌজিক মণিপুরগী ওইরিবা ফীভম অসিদা তঙাইফদনা ইন্নর মণিপুরদা বি জে পিবু মায়থীবা পীদুনা ৱাখল মান্নবা পোলিটিকেল পার্টি ১০গী মীহুৎ অমা পার্লিয়ামেন্টতা থাননবা খন্নরকপদা সী পি আইগী মায়কৈদগী মাঙজৌননা লাউথোকখিবা লৈরবসু হন্দোক হঞ্জিন তৌনরগা মীয়াম্না পাম্নবা মীওই অমনা মীরেপ ওইহনগদবা পার্টি অমদা পূন্না শৌগৎতুনা মীরেপ অদুবু কম্মন কেন্দিদেট ওইহন্নবগী ৱাফম থোরকখিবনি হায়রি।

পাউচে অসিনা ফংবা পাউনা হায়বদা সী পি আইগী ওইনা পার্টিগী মীরেপ লাউথোকখিবা লৈখ্রবসু ঙসি নুমিদাংৱাইরম ফাওবা পার্টি অসিগী লুচিংবশিংনা শরুক য়াবা মীফম অমা পাঙথোকখি। মীফম অদুদা হান্না লাউথোকখিবা লৈরবসু অমুক হন্দোকপদা করি ওইরকপা য়াবগে নৎত্রগনা হন্দোক্তনা অদুমক মীরেপ পুথোরক্কদবা পার্টি ১০গী কেন্দিদেটশিংগা ফ্রেন্দলি ফাইট তৌদুনা বি জে পিবু মায়থীবা পীনবা হোৎনবদনা কদাই ফাওবা মায় পাকপা য়াবগে হায়বগী মতাংদা কূপ্না খন্নখি হায়রি।

সী পি আইগী ওইনা লৌবা অরোইবা ৱারেপ অমা পূন্না চৎমিন্নরক্লিবা অতোপ্পা পার্টি ৯গী ফোরমদা থল্লকপগা লোয়ননা ৱারেপ অদুগী মতুংইন্না পার্টি ১০দা য়াওরিবা কোংগ্রেসকী ওইনসু পার্টি অসিগী ফিরেপ অমা শোয়দনা লৌরগনি হায়রি।

তাল্লকসিদা হয়েং অয়ূক পুং ১০ তারকপদা ইম্ফালগী কোংগ্রেস ভবনদা পার্টি অসিগী ওইবা মকোক থোংবা লুচিংবশিংনা শরুক য়াগদবা পাউগী মীফম অমা পাঙথোক্লনবা থৌরাং তৌখ্রে। মীফম অসিদা মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট কে মেঘচন্দ্র, কোংগ্রেস লেজিসলেচর পার্টিগী লিদরসু ওইরিবা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবী, কোংগ্রেস ৱার্কিং কম্মিটিগী মেম্বর গাইখাঙম অমসুং পার্টি অসিগী সিনিয়র লিদরশিংনা শরুক য়াগনি হায়রি।

কোংগ্রেসকী মায়কৈদগী হয়েং অয়ূক পাউগী মীফম অমা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরক্লিবা অসিনদি পার্টি ১০গী

...মখা লমায় ৩ কলম ৫

মণিপুরগী কোংগ্রেস ১সুং বি জে পিগী মীরেপ লাউথোরকপা থোইবীনা লোই কারকপা ঙাইবদৌনা ঙাইনরে

কোংগ্রেসকী অহুমশুবা তাঙ্কক্তা মীরেপ ৫৭কী মমিংশিং লাউথোকখ্রে, বি জে পিগীনা অহুমশুবা তাঙ্কক্তা মীরেপ ৯ খক্কী মমিংশিং লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২১ (ঐচএনএস) : বি জে পিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংলক্লিবা এন দি এ লৈঙাক্কী মতম লোইশিল্লকপদগী শরক শিহন্দনবগীদমক থা অসিগী ১৬তা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) না মথংগী ১৮শুবা লোক সভাগী মীখল মথং থাগী ১৯দগী হৌরদুনা তাঙ্কক ৭ থোক্না পাঙথোক্লগনি হায়না লাউথোকখ্রবসু সিট অনী লৈরিবা মণিপুরগী ষ্টেট লৈঙাক লুচিংলিবা বি জে পি অমসুং ওপোজিসন কোংগ্রেসকী মীরেপ কনা-কননা সিট অনীসিদা মীরেপ ওইরক্কদগে হায়দুনা ঙাইনবদা মোইরাং থোইবীনা কবোদগী লোই কারকপা ঙাইবদৌনা ঙাইনরে।

ঈ সী আইনা মীখল পাঙথোক্কদবা মতম লাউথোক্ত্রিঙৈদা ইহান হান্না থা অসিগী ২দা বি জে পিনা মখোয়গী অহানবা তাঙ্কক্কী মীরেপ ১৯৫ লাউথোকখিবনি। অদুগা পার্টি অসিগী মীরেপ ওইগদবশিংনা থা অসিগী ১৩দা অনীরকশুবা ওইনা কেন্দিদেট ৭২ লাউথোকখ্রবা মতুং ঙসিনা টামিল নাদুদা মীরেপ ওইগদবা কেন্দিদেট ৯গী মমিং লাউথোরকখিবনি।

কোংগ্রেসকীনা মথংশিংনা থা অসিগী ৮দা কেন্দিদেট ৩৯, থা অসিগী ১২দনা কেন্দিদেট ৪৩গী মমিংশিং লাউথোকখ্রবা মতুং ঙসি অহুম্লকশুবা ওইনা মীরেপ ৫৭কী মমিংশিং লাউথোরকখ্রবনি।

মীখল অসিগীদমক মরু ওইবা পার্টিশিং ওইরিবা বি জে পি অমসুং কোংগ্রেসনা মখোয়গী মীরেপশিং লাউথোকপদা নত্তনা অতৈ পার্টি অমসুং লন্নাই মীরেপ ওইগদবশিংনা ফাওবা ইলেক্সন অসিগীদমক অকনবা থৌরাংশিং লৌখৎনরক্লিবনি। মণিপুরগী ওইনদি থা অসিগী ১৬তা ঈ সী আইনা ইলেক্সনগী মতম লাউথোকখিবদা খঙহল্লকখিবগী মতুংইন্না মথং থাগী ১৯ অমসুং ২৬তা তাঙ্কক অনী থোক্না পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্নর অমসুং আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিশিংগীদমক ঙরাং ইলেক্সন নোটিফিকেসনশিং মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্টোরেল ওফিসরশিংনা থোকখ্রবনি।

নোটিফিকেসন অসি থোকখিবগা ইরোয়ননা ঙরাংদগী হৌরদুনা মণিপুরগী পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সি অনীদা মীরেপ ওইগদবশিংনা মখোয়গী নোমিনেসন পেপরশিং ফাইল তৌরকপগী অয়াবা পীখ্রবনি।

অদুম ওইনমক মণিপুরগী ওইনা মীখল অসিদা মরু ওইবা পার্টিশিং ওইরিবা কোংগ্রেস অমসুং বি জে পিগী মীরেপ ওইগদবা কেন্দিদেটশিংগী মমিংশিং মাগী মাগী পার্টিনা ওফিসল ওইনা লাউথোরকপা লৈখিদ্রিবনা ঙরাংদগী মীরেপ চে পীশিনবগী অয়াবা লৈরকখ্রবসু ঙসি ফাওবদা সিট অনীমক্তা মীরেপ ওইগদবা কেন্দিদেট অমত্তনা নোমিনেসন পেপরশিং পীশিল্লকপা লৈখিদ্রি।

সোসল মীদিয়া য়াওনা ষ্টেট অসিগী প্রিন্ট অমসুং ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়াশিংদা পার্টি অনীমক্কী ওইনা পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সি অনীদা মীরেপ ওইরক্কনি

...মখা লমায় ৩ কলম ৫

দেল্লীগী চীফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱাল এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টরেটনা ফাজিনখ্রে

মহাক্কী য়ূমগী অকোয়বদা সী আর পি সীগী সেক্সন ১৪৪ চলাইখ্রে

ন্যু দেল্লী, মার্চ ২১ (এজেন্সী): লৈবাক অসিগী নেসনল কেপিটেল দেল্লী লৈঙাক্কী চীফ মিনিষ্টরসু ওইরিবা আম আদমি পার্টি (এ এ পি) নেসনল কনভিনরসু ওইরিবা অর্বিন্দ কেজ্রিৱাল এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টরেট (ঈ দি) না ঙসি নুমিদাং পুং ৯ হেল্লকপদা ফাজিনখ্রে হায়বগী পাউ ওফিসল ওইনা কনফার্ম তৌখ্রে।

মতম অমদা চৎনরল্লবসু হৌজিক্কা চৎনহনখিদ্রবা দেল্লী লৈঙাক্কী এক্সাইজ পোলিসিগী কেস অমগা মরী লৈননা ঈ দিনা হঞ্জিন-হঞ্জিন মখোয়গী ওফিসতা ৱাহং পাউহং চখনবগীদমক লাক্কনবা সম্মন কয়ারক তৌখ্রবা মতুংদা এজেন্সী অসিনা চীফ মিনিষ্টর অসিগী য়ূমদা র‍্যেদ চখদুনা থি-হুন্বগী থবকশিং পাঙথোক্লগা মহাকপু ৱাহং পাউহং চখরক্লবা মতুংদা ফাজিনখিবনি হায়রি। ঈ দিগী মায়কৈদগী চীফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱালদা সম্মন মথং-মথং পীরকপদগী দেল্লী হায় কোর্টতা মহাক্কী মথক্তা

...মখা লমায় ৩ কলম ৭

মণিপুরগী ৱাথোক্তা মীৎয়েং চঙবীনবা খুরাইজম অথৌবনা য়ু এন হ্যুমেন রাইটস কাউন্সিলদা অমুক্কসু তকশিনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২১ (ঐচএনএস) : মণিপুরগী ঙমখৈ লান্না চঙশিল্লকপা নার্কো টেররিষ্ট অমসুং মণিপুর অমদি ইন্দিয়া লৈঙাক্কা সূ তৌনরিবা মিলিটেন্টশিংগী লান্দাদা ষ্টেট অসিগী য়েলহৌমীশিংগী মীওইবগী হক থা ১০ হেন্না তেমশিংনরক্লিবা অসিগী মতাংদা অথুবা মতমদা অথৌবনা য়ু এন হ্যুমেন রাইটস কাউন্সিলদা অমুক হন্না তকশিনখ্রে।

ORATEUR ONG
ORATEUR ONG
BUREAU ON

মীৎয়েং চঙবীনবা কোকোমিগী ৱাঙাঙলোই ওইবদা নত্তনা ইপশাগী ভাইস প্রসিদেন্টসু ওইরিবা খুরাইজম

স্বিটজরলেন্দগী জিনেভাদা হৌজিক চথরিবা য়ু এন হ্যুমেন রাইটস কাউন্সিলগী ৫৫শুবা মীফমদা শরুক য়ারিবা কে ঐচ অথৌবনা হৌজিক মণিপুরদা থোক্লিবা ৱাথোকশিংগী মতাংদা মরীক চুম্বা রিপোর্ট থল্লদুনা কাউন্সিল অসিনা মীৎয়েং চঙবীনবা পুখৎখিবনি।

মহাক্না মীফম অসিদা হায়, ঙমখৈ লান্না চঙলকপা নার্কো টেররিষ্টশিং অমসুং সূ তৌনরিবা মিলিটেন্টশিংগী লান্দাদা মণিপুরগী য়েলহৌমীশিংগী হক তেমশিংনবদা নত্তনা হৌখিবা থা ১০ হেনবগী মতমসিদা মীওই লিশীং ৭০ হেন্না লাঞ্জেন্নদুনা লৈরি। মণিপুরদা থোক্লিবা মূক্নবা অসি ঙমখৈ লান্না চঙলকপা খূৎলায় পায়বা লূপশিং

...মখা লমায় ৩ কলম ৫

এদ্যুকেসন মিনিষ্টরগী পোর্টফোলিও থাদোকপীয়ু, মন্ত্রি ওইবদি তোকপীগনু ক্বালিফিকেসনগা চান্নবা অতোপ্পা পোর্টফোলিও অমা তান্নবীয়ু : দেসাম

ইম্ফাল, মার্চ ২১ (ঐচএনএস): মহৈরোয়শিংগী লূপশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এলাইএন্স ওফ মণিপুর (দেসাম) না তোঙান তোঙানবা সবজেক্ট ক্লষ্টর তৌবা ঙমদবা অমসুং অসিগুম্বা তানীং-তমাং ওন্নবা মথোং হুক্তবা মওংদা ওজা লৌননবা তৌরিবা অসিদা অয়াবা পীরিবা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর

মরমশিং পীরদুনা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা হায়দোকখিবা ৱা ঙাক্তুনা চহী ৪গী আই টি ঈ পি হাংদোকপা ঙমদবা, রেস্নেলাইজেসন তৌদুনা পোর্টফোলিও থাদোকপীয়ু, মন্ত্রি ওইবদি তোকপীগনু, ক্বালিফিকেসনগা চান্নবা অতোপ্পা পোর্টফোলিও অমা তান্নবীয়ু হায়খ্রে।

...মখা লমায় ৩ কলম ২

এক্সপেন্দিচর ওবজার্ভর হাপখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২১ (ঐচএনএস)

মথং থাগী ১৯ অমসুং ২৬তা পাঙথোক্কদৌরিবা মণিপুরগী ১৮শুবা লোক সভা মীখলদা পাঙথোক্কদবা এসেমল্লি কন্সটিট্যুএন্সিশিংগী ওইনা এক্সপেন্দিচর ওবজার্ভর ওইনবগীদমক প্রধুমান বদারি প্রসাদ মীনা (আই আর এস) হাপখিবগা লোয়ননা থবক অসিগীদমক মহাক ঙরাং থুংলরে হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

HL Poll

Q : Inner Manipur Parliamentary Constituencyda wakhal mannaba political party 10gi common candidate puthokpa ngamloidouribra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak
www.hueiyenlanpao.com
da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Election Notification thoklaba faobada maru oiba partysingna makhoigi candidate laothokpa ngamdribasi makhoi masel amata oidabadagi nattra?

Yes 100% No 0%

জিরিবামদা মীতৈনা শরোই খাঙবদা কুকিশিংনা মখোঙনা নেৎখাইখিবদু লাল্লে হায়গদবনি : প্রোফেসর কাংজিয়া

ইম্ফাল, মার্চ ২১ (ঐচএনএস): জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা মীতৈশিংনা লমতা থাংজগী শরোই খাঙবগী থৌরম পাঙথোকপগী পোৎলমশিং লমহেন তুহেনবা কুকি খরনা মখোঙনা নেৎতুনা চাইখাইবগী থবক চখিবা অদুদা চেন্নবশিংনা লাল্লে হায়জগদবনি হায়না উত্রা শঙলেন সনা কোনুংগী মায়চৌ পুরেল প্রোফেসর ঙারিয়ানবম কাংজিয়া মঙাংনা অকনবা ৱাফম ফোঙদোকখ্রে।

উত্রা শঙলেন সনা কোনুংদা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা মায়চৌ পুরেল অসিনা পাউমীশিংদা হায়, শোয়খ্রবদি

...মখা লমায় ৩ কলম ২

ঈ টি পি বি এসকী ত্রেনিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২১ (ঐচএনএস):

তাঙ্কক অনী থোক্না পাঙথোক্লগদবা মণিপুরগী ১৮শুবা লোক সভা মীখলদা শীজিন্নগদবা ইলেক্ট্রোনিকেল্লি ত্রান্সমিটেদ পোষ্টেল বেলোট সিষ্টম (ঈ টি পি বি এস) গী মতাংদা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি লম্ফেলপাৎতা লৈবা চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর (সী ঈ ও) মণিপুরগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

ত্রেনিং প্রোগ্রাম অসিদা রিটর্নিং ওফিসরশিংগী পোষ্টেল বেলোটকী নোদল ওফিসরশিং শরুক য়াখি। মীফম অসি খক্তা নত্তনা পোষ্টেল বেলোটকী ইসেন্সিএল সর্ভিস দিপার্টমেন্টশিংগী নোদল ওফিসরশিংগী মীফম অমসু ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুংদা পাঙথোকখি।

মীফম অসিদা এদিসনেল চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর এন প্রবিন অমসুং ষ্টেট নোদল ওফিসর (পি বি) কে বোনোসু শরুক য়াবগা লোয়ননা মরী লৈনবা ওফিসলশিংনা শরুক য়াখি হায়রি।

য়েলহৌমীশিংগী হক মপূং ফানা ফংদনা ঈং-তপ্পা লৈরোই : চীফ জষ্টিস

MANIPUR HUMAN RIGHTS COMMISSION
PRIZE DISTRIBUTION CEREMONY

ইম্ফাল, মার্চ ২১ (ঐচএনএস):

মালেমগী ওইনা য়ান্নরবা য়ুনিভর্সেল দিক্লারেসন ওফ হ্যুমেন রাইটসতা য়াওরিবা মীওইবগী হকশিং মীপূম তিংনা ফংহনবা য়াম্না মরু ওই হায়রদুনা য়েলহৌমীশিংগী ওইবা হক মপূং ফানা ফংহনবা তঙাইফদে অমসুং য়ুনিভর্সেল দিক্লারেসন ওন দি রাইটস ওফ ইন্দিজিনস পিপলদা য়াওরিবা য়েলহৌমীশিংগী হক মপূং ফানা ফংহন্দনা ঈং-তপ্পা লৈবা য়ারোই হায়না হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিস সিদার্থ ম্রিদুলনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন

...মখা লমায় ৩ কলম ৫

মোরেদা কুকি ২দগী দব্লিয়ু ৱাই টেব্লেট কিলোগ্রাম ১২ রোম ফারে

ইম্ফাল, মার্চ ২১ (ঐচএনএস) : ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ রোম তারকপদা সিক্যুরিটি ফোর্সনা মোরেগী কানন ভেঙগী মফম অমদগী ওটোরিক্সো অমদা মীওই অনীনা হাপ্তুনা পুরকখিবা দব্লিয়ু ৱাই টেব্লেট কিলোগ্রাম ১১.৭৪০ (টেব্লেট লিশীং ৮০) ফাগৎলে হায়রি।

পুলিসকী পাউনা হায়বদা মফম অদুদা সিক্যুরিটি ফোর্সনা এরিয়া দোমিনেসন তৌদুনা অচৎ অওকশিং ফ্রিস্কিং অমসুং চেক্কিং চথরিঙৈগী চৈরক্তা চিংননীংঙাই ওইবা মওংদা লাকখিবা ওটোরিক্সো অদু খামদুনা চ্যেক তৌরুবদা য়াম্লবা ইল্লিগেল দ্রগশিং অসি য়াওরম্বনি। মসিবু পুরকখিবা মীওই অনীদুগী মমিংনা তোংখোহাও হাওকিপ (৪৪) অমসুং জমখোলুন বাইতে (৪৮) কৌই, মখোয় অনীমক মোরেদগী ঙাক্তনি হায়রি।

সিক্যুরিটি ফোর্সনা মখোয়না শীজিন্নরম্বা মোবাইল হেন্দসেট অনী য়াওনা ফাগৎলগা মোরে পুলিসতা খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

রিলিফ কেম্পতা লৈরকপা থা ১০ ফাজিল্লক্লবা ফাওবদা ঐগী লোয়নবী অমসুং ইচাশিংগা পূন্না লৈমিন্নবা ফংদে : মোইরাংথেম লোকেন

হকথেংনবা পাউদম

সেরৌ অৱাং লৈকায়দগী খুঞ্জা

(ঙরাংগী মখা...) মোইরাংথেম লোকেননা মখা তানা হায়, ঐগী ইচা নুপী ঙাক্তা পূন্না মরিনি। ইচানুপী অহল ময়ূম পানখ্রে, ইচানুপী অহুম্না মহে-মশীন তম্লি। ইচানুপী অনীশুবী (য়াইমা) সিনা ঐখোয়গী হূইদু লৌরুনবা চৎকে তোয়না হায় অদুবু ঐনা মী ফত্তবশিং থেংনরবদি খুদোংথীবা মায়োক্লগনি হায়দুনা চৎহন্দনা থম্লি। অদুবু ইচানা কন্না নীংঙাই তৌমন্দনা হূইশিং অদু লৌরুনবা চৎখি। মহাক্না হূই লৌবা চৎখ্রিঙৈদা ঐখোয়না অমুক তাংজেংদগী মণিপুর কোলেজদা হাংলিবা রিলিফ কেম্প রোমদা লাকখিবনি। ইচানা হূই লৌরুরগা মমান্নবীগী য়ূমদা নুমিৎ নীনিমুক লৈরল্লগা লাকপদদি মণিপুর কোলেজগী রিলিফ কেম্পসিদা মী চন্দবদগী ইচাগী লৈফম লৈখিদে। ইচানুপীদু অমুক হন্না ককচীংদা লৈখি। অদুগা মফম অদুদা মতম খরা লৈরল্লবা ৱাংখৈদা লৈবা ফি শাবগী দুকান অমদা থবক য়াওদুনা লৈখ্রে।

মহাক্কী গ্রেজুএসন হন্দক লোইশিল্লে। মখা তানা মাষ্টর তমথগদবনি অদুবু শেল থুমগী ফীভম ফত্তবগী মথক্তা লৈফম ফাওবা নীংথিজনা লৈতবনিনা ফিগী দুকান্দা ওইনা থবক শূবা য়াওখ্রে। ইচানুপী অমনা ময়ূম পানখ্রবী মচেগী মনাক্তা লাইরিক তমদুনা লৈখ্রে। লেমহৌরিবা ইচানুপী অমগা ঐগী লোয়নবীগদি হৌজিক রিলিফ কেম্প অসিদা লৈমিন্নরি। লাঞ্জেল্লকপা নুমিৎতগী ঙসি থা ১০ হেল্লক্লবা ফাওবা ইচাশিংগা পূন্না লৈমিন্নবদি ফংদ্রে হায়রকখি।

ইশাগী য়ূমদসু হঞ্জিন্দুনা লৈনীংই অদুবু য়ূমদি তুম্না মৈ থাদোকপীখ্রবনিনা লৈঙাক্না অথুবা মতমদা ঐখোয়বু ইশাগী লৈফমদা হঞ্জিন্দুনা লৈবা য়ানবা য়ূম শাবীয়ু। হৌজিকসু মখা তানা থা কয়া ঐখোয়বু রিলিফ কেম্পতা থম্বীখিগদগে হংলকখি।

নোংমগী চান-থক্লবদি অদুম ফজনা য়েংশিনবীরি হায়ববু য়ূমদা চৎনীংবনা ইশাসি লৈফম খঙদ্রে। হৌজিক্তি শেলসু অমত্তা লৈত্রে। ইশানা তাঞ্জরকপা লন-থুম লোইনা মাঙখ্রে। ঐহাক হৌজিক কপক্কদ্রা নৎত্রগা নোকদ্রা হায়ফম খঙদ্রে। ইশাগী য়ূমদা লৈজরবদি অঙম্বা থবক শূদুনা অমসুং লৌ ইঙ্খোল কোয়দুনা ঈংনা চিক্না লৈজগদবনি। রিলিফ কেম্পতা লৈবসিদি থবক শূফম নোম্ফমসু লৈতে, তুংগী খনবদা য়াম্না ৱাই। লুপা অমা ফাওবগী মপূ ওইবা

রিলিফ কেম্পতা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরকখিবী নুপী অমা লৈখিদ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২১ (ঐচএনএস) : মমাঙ চহীগী মে ৩দগী কুকি লমহেনবশিংনা মীতৈদা ওনশিন্দুনা চখরক্লিবা তমথীরবা লান অসিনা মরম ওইরদুনা মীওই কয়া লাঞ্জেন্নদুনা চঙজফম লৌরক্লিবা রিলিফ কেম্পশিংদা থোকখিবা থৌদোক ৱাথোকশিংগী মনুংদা নুপী অমসু খঙহৌদনা লেকথরকপদগী লায়কন্নবা নংদনা লৈখিদ্রে।

থৌদোক অসি ময়াং ইম্ফাল ইন্সপেক্সন বঙ্গলো (আই বি) রোদতা লৈবা চরোইবুংদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা ঙরাং অয়ূক পুং ১০ রোম তারকপদা থোকখিবনি।

...মখা লমায় ৩ কলম ১

ঙমদ্রবনিনা ইচাশিংগী তুংগীদমক করিমত্তা তৌবীরম্বা ঙম্লরোইদ্রা খনবদা লৈতাফম খঙদে। মরম অসিনা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অথুবা মতমদা ঐখোয়বু ইশাগী য়ূম ইঙ্খোলদা হঞ্জিন্দুনা মহৌশাগুম লৈবা ফংননবা হোৎনবীয়ু হায়রকখি।

অস! লোইরেহে!

- অকপ্পা অমা য়াওরিবদু ভিদিও নম্মিরো?

- [illegible]



- মানি মোই পাউং!

- [illegible]

'করি ঈশৈ শকউগে...'

হংলম্বা মণিপুরগী শক্লাইরবা ঈশৈ ইবা থাংজম কোরা লৈখিদ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২১ (ঐচএনএস):

অঙনবা মতমগী মণিপুরী মতম ঈশৈগী শৈরেংবা অমা ওইদুনা অতাবা মীওই কয়াগী থম্মোয়বু শুম্মৎলগা পুরকখিবদা নত্তনা হৌজিক্কা আকাসবানি ইম্ফাল হায়রবা মতম অমগী ওল ইন্দিয়া রেদিও (এ আই আর), ইম্ফালগী 'এপ্রুভ লিরিসিষ্ট' অমসু ওইরম্বা থাংজম কোরা ঙসি অয়ূক পুং ৮ খরা হেল্লকপদা খঙহৌদনা লৈখিদ্রে।

পাউচে অসিনা ফংবা পাউনা হায়বদা মহাক ঙসি অয়ূক হকচাং নুংঙাইতে অমসুং শ্বর হোনবনচিংবা ৱারকপদগী অয়ূক পুং ৮.২৫ রোম তারকপদা শিজ হোস্পিটালগী ইমর্জেন্সি ৱর্দতা লায়কন্ননবগীদমক পুখৎলকখি হায়রি। অদুবু ডাক্তরশিংনা মহাকপু লায়েংনবগীদমক ব্লদ প্রেসর অমসুং পলসনচিংবা য়েংলুবদা অনীমক দিটেক্ট তৌবা ঙমখিদবদগী লায়েং চখবা নংদনা লৈখিদবনি হায়রি।

...মখা লমায় ৩ কলম ২

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫